# মীয়াম্না পীবা মেন্দেট, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা অহোংবা লাকপনা লৈবাক অসি চাওখৎহনবা ঙম্লগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মীয়াম্না পীখিবা মেন্দেট অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা অহোংবা লাকপনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াবু মপুং ফানা চওখৎহনবা ঙম্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী ৭৩ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎকী মাংওইননা মীয়ামদা পীখিবা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, ইন্দিয়াগী ফাওরবা নীংতম লান্মীশিংনা মঙজরম্বা মঙলানদি মীপুম খুদিংমক অমসুং ইমুং খুদিংমক্কী ফিভম ফগৎহনবনি। হন্দক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লাদাখতা অহোংবা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়ামদা চাওনা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়নসু প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০শুবা মপোক কুমওন মাংওইননা লৈবাক অসিগী ৭২ শুবা নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লি হায়না পল্লদুনা প্রসিদেন্টনা হায়খি, লৈবাক্কী মপানি হায়রিবা মহাত্মা গান্ধিনা খল্লম্বা ৱাখল্লোল ঙসিগী মতম অসিগা অদুমক চান্নরি। চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবগী পান্দমদা মীয়াম্না মীখলদা ভোট পীরকখিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা অপনবা অমত্তা য়াওদনা মরু ওইবা বিল কয়া পাস তৌবা ঙমখিবা অদুনা লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী মনুংদা খোঙজেল য়াংনা চাওখৎ লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা ঙম্লগনি।

লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী মীফমদাঅপনবাঅমত্তায়াওখিদবগী মতাংদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, মরু ওইবা বিল কয়ামরুম পাস তৌবা ঙমখি। তোঙান-তোঙানবা পার্টি মশেলগী মরক্তা ফজবা ৱাখল্লোল পুথোক্লদুনা লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। পুম্নমক অসি য়েংলুরগা লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী মনুংদা ইন্দিয়ানা মাং রোমদা খোঙজেল য়াংনা চঙশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

চাওখৎথৌরাংপায়খৎনবগীদমক মীয়াম্না মীখলদা ভোট পীরকখিবনি হায়না পল্লদুনা প্রসিদেন্টনা হায়খি, লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা ফঙহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংনি। হিরম অসিদা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই।

কুমজা ১৯৪৭কী মমাঙদা নীংতম্বা ইন্দিয়া অমা লৈহন্নবগী মঙলান শাগৎখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নীংতম্লবা মতুংদা ঙসিদি চাওখৎ থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎপা অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎবা রোমদা মায় ওনশিল্লক্লে। মীয়াম্না পাম্লিবা পান্দম অসি মপুং ফানা ফঙবা ঙম্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরে হায়নসু প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱতনা স্বাছ সুরবেক্সন গ্রামিন ২০১৯ হৌদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ সেখৱতনা ঙসি স্বাছ সুরবেক্সন গ্রামিন ২০১৯ হৌদোকখ্রে।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা রুরেল সেনিটেসন সর্ভেদগী হন্দক্না শরুক অহুম হেন্না পাক চাওনা থৌরাং অসি পায়খৎকদৌরি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৪গী দিষ্ট্রিক্ট ৭০০ অমসুং খুঙ্গং ১৭,০০০তা সর্ভে পাঙথোক্লবা মতুংদা মকোক মথং তারবা দিষ্ট্রিক্ট অমদি খুঙ্গংশিং খনগৎকদৌরি। হন্দক চহীগী ওইনা সোলিদ ৱেষ্ট অমদি প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্টতা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লগা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

মমাঙগী সর্ভেদা ওপন দিফেকেসন ফ্রি (ও দি এফ)তা মরু ওইবা মীৎয়েং থল্লগা স্বাছ সুরবেক্সন পায়খৎখিবনি। ইন্দিয়াবু লক্ষ্যাংদা অমাং-অশোই তৌশিন্দবা মফম অমা ওইহনবা খক্তনা লৈবাক অসি লু-নালহনবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, পান্দম ফঙনবগীদমক অতৈ অতোপ্পা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎকদবা ৱাৎলি। মরু ওইনা বাইওদিগ্রেদেবল ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট, প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট, গ্রে ৱাটর (হাউস হোল্ড ৱেষ্ট ৱাটর) মেনেজমেন্ট অমসুং ফিসেল স্লজ মেনেজমেন্টকী মতাংদনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসনগী সেক্রেটরী পরমেশ্বরন আইয়রনা ফোঙদোকখি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিটেসন সর্ভেদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৪গী দিষ্ট্রিক্ট ৬৯৮ অমসুং খুঙ্গং ১৭,৪৭৫দা মপুং ফানা সর্ভে তৌগনি হায়না দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসনগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী খুঙ্গং ৩০দা পঞ্চায়েট, অঙ্গনৱাদি, কৈথেলশঙশিং অমদি প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরশিংদা সর্ভে তৌগনি। নুমিৎ ৪৫ চুপ্পা মীয়াম তিনবা মফম (পব্লিক প্লেস) ৮৭,০০০তা ফিল্ড সর্ভে তৌরবা মতুংদা মকোক মথং খনগৎনবা থৌরাং লৌখৎকনি। সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা মপুং ফানা সর্ভে তৌবা লোইগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, হন্দক পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসি ইচম চম্বা সর্ভে নত্তে। মীপুম খুদিংমক পুক্নিং ৱাখল অমসুং লমচৎ শাজৎ হোংদোকহন্দুনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা লু-নানবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাংনি।

মীওই কয়া শীজিন্নদুনা সর্ভে তৌবগী মথক্তা টেক্নোলোজিগী মতেং লৌদুনা করম করম্বা মফমদা লু-নানহনবগী থৌরাং মপুং ফানা পায়খৎলিবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# আর্থকী ওর্বিট থাদোকখ্রবা চন্দ্রয়ান ২ স্পেস ক্রাফটনা থা লৈবাক্কী মায়কৈ তম্না পায়শিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): থা লৈবাক্কী মরমদা মপুং ফানা থিজিন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ ২৩গী মমাঙদা থাগৎখিবা চন্দ্রয়ান ২না মালেমগী ওর্বিট থাদোক্তুনা থা লৈবাক্কী মায়কৈ তম্না পায়শিনখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না ঙসি অয়ুক পুং ২.২১ তাবদা ট্রান্স লুনর ইন্সরসন (টি এল আর) হায়না খঙনবা থৌরাং অমা লৌখৎলল্লগা লুনর ট্রান্সফর ট্রাজেক্টরিদা পায়শিনখি। ওক্টোবর ২০দা চন্দ্রয়ান ২ স্পেস ক্রাফনা থাগী ওর্বিট লানশিনবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ৮দা অশোয় অঙাম য়াওদনা থা লৈবাক্তা লেন্দিং তৌনবা পান্দম থল্লি।

জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৬ ফাওবা স্পেস ক্রাফ অসিনা ওর্বিট মথং মথং লানশিনখিবগা লোয়ননা থা লৈবাক্কী মরমদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন কয়া লৌনবা হোৎনরি।

আই এস আর ও টেলিমিট্রি ট্রেকিং এন্দ কম্মান্দ নেটৱার্ক অমসুং ইন্দিয়ন দিপ স্পেস নেটৱার্ককী মতেং লৌরগা য়েংশিনবদা স্পেসক্রাফকী ফিভম থোইদোক্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রি হায়বা খঙলে।

জুলাই ২২দা থাগৎখিবা চন্দ্রয়ান ২ স্পেস ক্রাফকী সিষ্টেম খুদিংমক মথৌ নীংথিনা তৌরি। ওগষ্ট ২০দা স্পেসক্রাফ অসিনা থাগী লৈমায় তম্না পায়শিনবগা লোয়ননা মতম খরগী মতুংদা মীওই কয়া থা লৈবাক্তা কোইবা চৎহনবগী থৌরাং লৌখৎলগনি। রসিয়া, য়ু এস অমসুং চাইনাগী মথংদা ইন্দিয়ানা থা লৈবাক্তা চৎপা মরিশুবা লৈবাক ওইরগনি।

# ইন্দিপেন্দেন্স দেগী মাংওইননা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): দিল্লিগী রেদ ফোর্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক্কী ৭৩ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রেদ ফোর্টতগী লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাংগদৌরি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অমসুং পাকিস্তানগা মুক্নবগী ফিভমদা লাকপা মরম্না কেপিটেল সিটি অমসুং অকোইবগী মফমশিংদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

রেদ ফোর্টকী অকোইবদা নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি), স্পেসল ৱেপন্স এন্দ টেক্টিক্স (স্বাট) অমদি অখন্নবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং ফংদুনা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। স্পেসল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি), আর্মি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সেসনা দিল্লি পুলিসকী পার্সনেল ২০,০০০ রোমগা লোয়ননা কেপিটেল সিটিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

রেদ ফোর্ট অমদি অকোইবদা চীংননিংঙাই ওইবা মীওইশিং মশক খঙদোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা দিল্লি পুলিসনা অহানবা ওইনা ফেসিয়ল রেকগনিসন সোফৱেয়র য়াওবা কেমেরাশিং শীজিন্নগদৌরি। মিনিষ্টরশিং, মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেটশিং অমদি মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই কয়ানা শরুক য়াগদৌরিবা থৌরমদা অপনবা থোকহন্দনবা রোদ ফোর্ট অমদি মসিগী অকোইবদা সি সি টি ভি কেমেরা ৫০০ রোম খিন্দুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

রাষ্ট্রপতি ভবনদসু সিক্যুরিটি পার্সনেল মশিং য়াম্না থমদুনা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনরি। চঙফম খুদিংমক্তা দোর-ফ্রেম মেটেল দিটেক্টর (দি এফ এম দি) অমসুং হেন্দ-হেল্ড মেটেল দিটেক্টর (ঐচ ঐচ এম দি) শীজিন্নদুনা মীপুম খুদিংমক নীংথিনা চেক তৌনবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে হায়রি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা স্পেসল মোটোরসাইকল স্কৱাদ কয়ামরুম থৌরাং তৌদুনা সিটিগী মফম পুম্নমক্তা পেট্রোল দ্যুতি তৌহনবা হৌখ্রে।

# ইন্দিপেন্দেন্স দেদা ৱিং কম্মান্দর অভিনন্দন বর্তমানদা বির চক্র পীদুনা ইকায় খুম্নগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): বলাকোট নোংথক্তগী এটেক চথখ্রবা মতুংদা পুং ৬০ রোম পাকিস্তাননা ফাজিন্দুনা থম্লুরবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্স (আই এ এফ)কী ৱিং কম্মান্দর অভিনন্দন বর্তমানবু ৭৩ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা বির চক্র পীদুনা ইকায় খুম্নগদৌরি।

ফেব্রুৱারি ২৭তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা ফাইটর কন্ট্রোল্লর অমা ওইনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা আই এ এফকী স্কৱাদ্রোন লিদর মিন্টি অগরৱালদা য়ুধ সেনা মেদল পীরগনি হায়রি।

পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা সি আর পি এফকী পার্সনেলশিংদা এটেক চথুরকখিবগী লমন খুম্বা ওইনা বালাকোটতা নোংথক্তগী লান্দাখ্রবা মতুংদা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীনা নোংথক্তা খুৎ থোক্লখিবদা অবিনন্দ বর্তমান অমসুং মিন্টি অগরৱালনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।

পাকিস্তানগী বলাকোট টাউন্দদা লৈবা জাইস-ঈ-মহমদকী কেম্পশিংদা বোম থাদখিবগীদমক আই এ এফকী ৱিং কম্মান্দর অমিত রঞ্জন, স্কৱাদ্রোন লিদর রাহুল বসোয়া, পঙ্কাজ ভুজাদে, বি কে এন রেদি অমদি সসঙ্ক সিংহবু বায়ু সেনা মেদল (গেলেন্ট্রি) এৱার্দপীদুনা ইকায় খুম্নবা লৈখ্রবনি। ওফিসারশিং অদুনা মীরাজ ২০০০ ফাইটর এয়রক্রাফতা পায়রগা য়েক্নবগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা এটেক চথুখিবনি।

# ষ্টেট ৬তা ঈচাও, লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা মীওই ২৭০ হেন্না শীহনখ্রে, মীওই লাখ ১০ রোম ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা ষ্টেট ৬তা মীওই ২৭০ হেন্না শীহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ১০ রোম ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে।

চহী খুদিংগী ইন্দিয়াদা জুনদগী সেপ্টেম্বর ফাওবা নোং চুদুনা লাকখি। হন্দক চহীগী ওইনা মফম খরদা নোংজুগী চাং কা হেন্না ৱাংখিবা মরম্না কেরলা, কর্নাটকা, মহারাষ্ট্র অমদি গুজরাটকী মফম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিনখি।

ষ্টেটশিং অসিগী লৌ উবা য়াবা লৌফম হেক্টর লিশিং কয়া থুমজিন্দুনা মহৈ মরোং পুম্নমক অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা ট্রেনস সার্ভিসতসু চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। মমাঙ চয়োলদা নোং কন্না চুবদগী লেন্দস্লাইদ থোকখ্রবা কেরলাদা মীওই ৯৫ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৫০ রোম হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কেরলাগী ৱয়ানাদয়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎলি। হৌজিকসু মীওইলাখ ১.৯ হেন্না তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরি হায়না কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনরায়ি বিজয়ননা ফোঙদোকখি।

য়ুমলোন্নবা কর্নাটকাদা তুরেল কয়া ঈমায় পাথোরকপদগী মীওই ৫৪ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীংওই ১৫ থিবা খঙখিদ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা মীওই লাখ ৭রোম শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা কর্নাটকা, মহারাষ্ট, গুজরাট অমদি মধ্যা প্রদেশ য়াওনা মফম কয়াদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

# গেলেন্ট্রি এৱার্দ লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ৭৩ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ ফংগদবা আর্ম ফোর্সেস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সেসকী পার্সনেলশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

এৱার্দশিংগী মনুংদা কির্টি চক্রা ২, বির চক্র ১, সৌরিয়া চক্র ১৪, বার টুর সেনা মেদল (গেলেন্ট্রি) ৮, সেনা মেদল ৯০, নাও সেনা মেদল ৫, বায়ু সেনা মেদল ৭ অমসুং য়ুধ সেনা মেদল ৫ য়াওরি। চহী খুদিংগী রিপব্লিক দে অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স দেদা এৱার্দশিং অসি পীদুনা লাকপনি।


## / অৱাবা ফোঙদোকপা



খানা চাউবা ৱাংপুরেল শিন্থা অপূংবগী শিন্থারোই ওইবিরম্বা কাংজম মহেন্দ্রনা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা ঙসি চৈচৎ ১৪/৮/২০১৯ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈখিদ্রবগী মফমদা খানা চাউবা ৱাংপুরেল শিন্থা অপূংবগী শিন্থারোইশিংনা ওর্গনাইজেসনগী হেদ ওফিস নাগামপাল শিংজুপুং ইম্ফালদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা অঙীংবা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা শিন্থারোইশিংনা থৌনিজরি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

**Sd/- Y. Indira**
President
Kha-na Chaoba Wangpurel
Sintha Apungba

HL-P/3719/15



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 684/SDC/IW(P) of 2019**

Smt. Naorem Ibemhal Devi W/o (Late) Naorem Membhor Singh of Patsoi Part-I ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Shri Naorem Membhor Singh S/o (L) Chandrahas Singh of Patsoi Part-I ...O.P. Party

/ **NOTICE**

09/08/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৯৪-লাংজিংগী পাট্টা নম্বর ৮০২ (অরিবা), ২২৪ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১৯৭গী পোইন্ট ০.২৩ একর চাউবা ফৌরেল লম অসিগী কো:পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/০৮/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Patsoi

HL-P/3712/15



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

**Ref :- Mutation Case No. 1140/SDC/IW(N) Sekmai of 2019**

Arubam Robinson Singh S/o Arubam Kameshwor Singh of Tendongyan ...*Petitioner*

-Vs-

Arubam Nageshwor Singh S/o (L) Paka Singh of Tendongyan ...Pattadar

/ **NOTICE**

Sekmai, the 14/8/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি Imphal West Tashil Village No. 36 - Tendongyan Under Patta No. 198 (Old), .14 (New) Covered by C.S. Dag No. 1168গী Area .40994 acres চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী কোর্টতা এপ্লিকেসন থারক্লে অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা এস দি সী, সেকমাইগী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চত্থজখ্রনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (North) Sekmai.

HL-P/3717/15



## REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)

LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

Fax 0385-2414625
Phone 0385-2414539
0385-2414629
e-mail rims@rims.edu.in
website www.rims.edu.in

NOTICE

Imphal, the 7th August, 2019

No. B/2653/2017-RIMS: /3000 A walk-in-interview for selection of suitable persons for the posts of Assistant Professor of Clinical Psychology, RIMS, Imphal will be held on 23 / 08 , 2019 at 11:00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on Contract basis. Interested candidates having the following qualification, experience and within the upper age limit may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data, along with photocopies of relevant testimonials, two recent Passport size photographs, M.C.I, State Medical Council/RCI Permanent Registration certificates to the office of the undersigned on or before 21 / 08 . 2019. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

| Sl. No | Name of the post | No. of post | Age | Pay | Eligibility Criteria |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Professor (Clinical Psychology) | 2 | 35 years and below | Rs. 43,750/- per month | Qualification: M.Phil in Clinical Psychology. Experience: 3 years teaching experience in the subject in a recognised Medical College. |

* The upper age limit is 35 years, relaxable 3 years for OBC and 5 years for SC&ST candidate and also age relaxation for physically handicapped candidates will be provided as per Govt. of India norms.

Sd/- K. Doungel
Deputy Director,
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/5606/15



## IIBIT

**Indian Institute of Banking and Information Technology**

A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.
- **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
- **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
- **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.

Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.

**Salary - 10,000 - 27,000/-**




Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297

HL-B/5582/30/7-29/8